# কোভিদকী অনৌবা ষ্ট্রেন কীবদগী য়ুনাইটেদ কিংদম য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংগা শম্নদ্রে



দোভর, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
অনৌবা কোরোনা ভাইরস ষ্ট্রেন অমা কিবদগী মীচং চুংশীন্নবা লৈবাকশিংনা ত্রান্সপোর্টকী মরী থদৎখিবদগী য়ুনাইটেদ কিংদম য়ুরোপকী অতৈ মফমশিংগা শম্নখিদ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা য়ু কেগা চখোক চৎশিনগী মরী থদৎখিবদগী বৃটেননা ঈ য়ু মপুং ফানা থাদোক্কদবা কুইরক্তবা মতম অসিদা ইমুং কয়া, এক্করশিং অমসুং সুপরমার্কেটশিং চরাংনবা ফিভম মায়োক্নরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা কোরোনা ভাইরসকী য়াম্না লৌনগনবা অনৌবা ষ্ট্রেন অমা বৃটেনগী ওইবা খুদোংথিনিঙাইনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা ফ্রান্স, জর্মনি, ইটালি, নেদরলেন্দস, ওষ্ট্রিয়া, স্বিটজর্লেন্দ, আইরলেন্দ, বেলজিয়ম, ইজরেল অমসুং কনাদা য়াওনা লৈবাক কয়ানা বৃটেনগা চখোক চৎশিনগী মরী থম্নদনবা ৱারেপ লৌখি।

ইন্টরনেস্নেল ত্রাভেলগী মরমদা মরু ওইনা বৃটেনদগী পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবগী মতাংদা খন্ননবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা চ্যের লৌদুনা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স মীতিং অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ফ্রান্সনা য়ুরোপ মনুং লমগী লল্লোন ইতিক্কী মরু ওইবা লন্থীশিংগী মনুংদা অমা থিংজিন্দুনা য়ুনাইটেদ কিংদমদগী লাকপা মীওইশিং অমসুং ত্রকশিং বোর্দরদা থিংখি। খোঙথাং অসিবু বৃটিশ ত্রান্সপোর্ট সেক্রেটরি গ্রান্ট শাস্পনা ঙক্লিঙাই ওই হায়খি।

খৃষ্টমাষ্টকীদমক্তা ইমুং কয়া অমা অমদি ত্রক দ্রাইভরশিংনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নবা হোৎনবদা চখোক চৎশিনগী অথিংবশিংদগী নাথৈনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা বৃটেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সুপরমার্কেট চেইন, সেন্সবরিসনা হায়, য়ুরোপ মপুং অমগা লৈনরিবা চখোক চৎশিনগী মরী য়াম্না থুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্দবা তারবদি সেলভশিংদা পোৎ চৈশিং উবা ফংলক্করোই।

ত্রান্সপোর্টকী মতাংদা অহোংবা অমত্তা লাক্তবা তারবদি লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মপানদগী লাকপা মনা মশিং অমসুং হৈ-রাগী আইটেম কয়া উবা ফংলরোই হায়না সুপরমার্কেট চেন অসিনা ফোঙদোকখি।

স্কোটলেন্দগী সেলফিস প্রদ্যুসরশিংনা হায়, ফ্রেঞ্চ বোর্দর থিংজিনখিবদগী মতম শাংনা থন্বা য়াদবা মখোয়গী পোখোক কয়া লন্থীদা পন্দুনা লৈরে। বৃটেনদা অকাইবা থোক্লিবা অসিনা আইরলেন্দদা পোখোকশিং ফংহনবদসু অকাইবা লৈরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা থাংজ নুমিত্তা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা লৌনগনবা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা থেংনরে হায়রদুনা বৃটিশ মিলিয়ন কয়াগী খৃষ্টমাসকী থৌরাংশিং কেন্সেল তৌখিবনি।

# য়ু এস এম্বেসিদা কাপ্পকপা রোকেটশিং বাঘদাদকী গ্রীন জোন মনুংদা তাশিন্দুনা অমাং অতা থোকখ্রে



বাঘদাদ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
য়ু এস এম্বেসিদা তার্গেট তৌদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা কাটয়ুসা রোকেট নিপান বাঘদাদকী নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা গ্রীন জোনদা তাদুনা কম্পাউন্দদা অমাং-অতা খরা থোক্লে হায়না ইরাকি মিলিটরি অমসুং য়ু এস এম্বেসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুগী মতাংদা ইরাকি মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা অথিংবা থন্বা গ্রুপ অমনা রোকেট নিপান কাপশিল্লকখি। মিসাইল অয়াম্বনা গ্রীন জোনগী রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্স অমসুং সিক্যুরিটি চেকপোইন্টদা তাশিনখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অমসুং কার কয়া অমাং-অতা থোকখি অমদি ইরাকি লান্মী অমা শোকখি।

গভর্ণমেন্ট ভিল্ডিংশিং অমদি ফোরেন মিসনশিং লৈরিবা জোন অদুগী মনুংদা লৈরিবা এম্বেসি অদুদগী সাইরেন মখোলশিং তাখি। গ্রীনজোন মনুংগী সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা রোকেটশিংদুগী মনুংদা অমা এন্টি রোকেট সিষ্টেম অমনা মায়কৈ থৈহনখি।

য়ু এস এম্বেসিনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ইরাকি পোলিটিকেল অমসুং গভর্ণমেন্ট লিদরশিংদা অসিগুম্বা এটেকশিং থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা অমসুং মরাল লৈবা মীওইশিং বুক তৌনবা তকশিনখি। ইন্টরনেস্নেল জোনদা টার্গেট তৌদুনা রোকেট কয়া কাপশিল্লকখি হায়বসি য়ু এস এম্বেসিনা কনফর্ম তৌখি। এম্বেসিগী কম্পাউন্দদা অমাং-অতা খরা থোকখি, তৌইগুম্বসুং মীশি মীনাদি থোকখিদে হায়না এম্বেসিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

মতুং তাবদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা হায়, রোকেট এটেকতা য়ামদ্রবদা ইরাকি সিভিলিয়ন অমা অশোক অপন নংখ্রে। অশোক অপন নংখিবশিং অথুবদা ফরকপা ওইরসনু হায়খি।

বাঘদাদতা লৈবা এম্বেসি মনাক য়াওনা ইরাকতা বেজ তৌবা য়ু এসকী ফেসিলিটিশিংদা রোকেট এটেকশিং তোইনা চথরকপগী মতাংদা য়ু এস ওফিসলশিংনা ইরাননা শৌগৎপা মিলিস্যা কাঙবুশিংদা মরাল শীদুনা লাকখি। ইরাননা শৌগৎপা গ্রুপ অমত্তনা রোকেট এটেকশিং অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরক্ত্রি। ইরাকি প্রসিদেন্টগী স্পোক্সমেন অমনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি।

ইরাকতা লৈরিবা আমেরিকান ফোর্সশিং হন্দোক্নবগী মতম পীরবদি য়ু এস ফোর্সশিংদা রোকেট এটেক চথবা লেপ্পগনি হায়না হৌখিবা ওক্তোবরদা মিলিস্যা গ্রুপ কয়ানা লাউথোকখিবনি। ইরাকতা লৈরিবা ত্রুপ ৫০০০ তপ্পা তপ্পা লৌথোক্নবা হোৎনরিবা ৱাশিংটননা ইরাকি গভর্ণমেন্টদা ৱানিং তৌদুনা ইরানা শৌগৎপা মিলিস্যাশিং লাকশিনদ্রবদি য়ু এস এম্বেসি থিংজিল্লগনি হায়না খঙহনখিবনি।

# অনৌবা কোভিদ শাফু কিবদগী সাউদি অরাবিয়ান ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইটশিং থিংখ্রে



রিয়াধ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
বৃটেনদা দিটেক্ট তৌখিবা নোভেল কোরোনা ভাইরসকী য়াম্না লৌনগনবা অনৌবা ম্যুটেন্ট ষ্ট্রেন অমগী মতাংদা অকিবা লৈবদগী সাউদি অরাবিয়ান ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইট খুদিংমক চয়োল অমা চুপ্পা অথিংবা থমখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গল্ফ ন্যুজনা সোর্ছ অদু পল্লদুনা হায়, নোংমাইজিং নুমিত্তগী চৎনগদবা অথিংবা অদু কিংদম অসিগী লেন্দ অমসুং সি পোর্টশিংদা চঙলক্লিবা পেসেঞ্জরশিংদসু এপ্লাই তৌগনি।

পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা খোঙথাংশিং লোয়ননা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না প্রোসিজরশিং অসি রিভিয়ু তৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, অথিংবা অসি সাউদি টেরিটরিদা হৌজিক লৈরিবা ফ্ললাইটশিংদদি চৎনরোই অমসুং ফ্লাইটশিং লৈবাক অসি থাদোকপা য়াহনগনি। সাউদি ওথোরিটিশিংনা অথিংবা থল্লিবদুদা অনৌবা ভাইরস ষ্ট্রেন অদু থেংনদবা লৈবাকশিংদগী লাকপা পোৎচৈশিং থাদোক থাজিন তৌবদা চৎনরোই।

লন্দন অমসুং ইংলেন্দগী খা নোংপোক থংবা লমদমদা য়াম্না থুনা শন্দোরকখিবা ম্যুটেন্ট ষ্ট্রেন অদুগী রিপোর্ট ফোঙনখিবা মতুংদা ইটালি, বেলজিয়ম, ফ্রান্স অমসুং নেদরলেন্দস য়াওনা য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা য়ু কেদা পাইগদবা অমদি লৈবাক অসিদগী লাক্কদবা ফ্লাইটশিং থিংখ্রবা মতুংদা সাউদি অরবিয়ানা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। কোরোনা ভাইরসকী নৌনা আইদেন্টিফাইদ তৌবা ষ্ট্রেন অদু চাদা ৭০ হেন্না লৌনগনবা য়াই হায়না থা অসিগী ১৯ দা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা লাউথোকখি।

বৃটিশ হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোককী মতুং ইন্না অনৌবা ভেরিয়েন্ট অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরি। থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লন্দনদা থেংনখিবা ইনফেক্সনশিংগী চাদা ৬২ অনৌবা ভেরিএন্ট অদু ওইখি অমদি নোংপোক থংবা ইংলেন্দদা থেংনখিবশিংগী চাদা ৫৯ অমসুং খা নোংপোকথংবদা থেংনখিবশিংগী চাদা ৪৩ অনৌবা ভেরিয়েন্ট অদু ওইখি।

# টেররিষ্টশিংগা কাপ্নবদা পাকিস্তান লান্মী ১ শিরে

*ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :*
*পাকিস্তানগী খা নোংচুপ থংবা বালোচিস্তান প্রোভিন্সতা টেররিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা লান্মী অমা শিরে হায়না পাকিস্তানি অর্মীনা ফোঙদোকখ্রে।*

*পাকিস্তানি অর্মীগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা বালোচিস্তানগী অৱারানগা নক্নবা জাট বজারদা লৈবা টেররিষ্টশিং অমসুং মখোয়গী ফেসিলিটিটরশিং লৈ হায়বা ইন্টেলিজেন্সকী পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বা অমসুং মখোয়বু তকথোকপগী ওপরেসন অমা পাঙথোকখি।*

*ওপরেসন অদুদা টেররিষ্টশিংগা কন্না নোংমৈ কাপ্ন বদগী লান্মী অমা শোকখি অমসুং মহাক খুদক্তা খা থংবা হিথাংফম সিটি করাচিদা পুখি হায়না অর্মীগী মীদিয়া ৱিং ইন্টর সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। অদুম ওইনমক লান্মী অদু মখা তানা লাইকন্নবা ঙমদনা শিখি হায়না ষ্টেটটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।*

*জাট বজার এরিয়া পুম্বদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবশিং মায় পাক্লা তকথোকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমতনা কেস তৌরকখিদে হায়রি।*

*সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চথবা অসিগুম্বা এটেকশিংগী মতাংদা বালোচিস্তানগী খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংদা মরাল শীদুনা লাকখিবনি।*

# অফঘানিষ্টানদা আই ঈ দি পোকখায়বদা পুলিস চীফ য়াওনা মীওই তরেৎ শিরে



কাবুল, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা আই ঈ দি অনী পোকখায়বদা হায়ৱে পুলিস চীফ অমা য়াওনা মীওই তরেৎ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, পরৱান প্রোভিন্সকী চারিকার সিটিদা পুলিসকী গাড়ী অমদা আই ঈ দি অমা পোকখায়হনখিবদা প্রোভিন্সিএল হায়ৱে পুলিসকী চীফ ৱাদি মোহম্মদ য়াওনা পুলিস ওফিসর মঙা শিখি।

বাঘদিস প্রোভিন্সকী মুকুর দিষ্ট্রিক্টতা আই ঈ দি অমা পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেকতা কার্গো ত্রক অমা অমাং অতা থোকখিবগা লোয়ননা সিভিলিয়ন অনী শিখি অমসুং অতোপ্পা অমা শোকখি। লন্থীগী নাকলদা আই ঈ দিশিং ফুম্লল্লীবদুগী মতাংদা পুলিস ওফিসলশিংনা টলিবান মিলিটেন্ট গ্রুপতা মরাল শিখি। হৌখিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মীচম ২৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪৭ অশোক অপন নঙলে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখ্রবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী দিভলপমেন্ট অসি লাক্লিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, হৌখিবা থা অহুম অসিদা অফঘানিষ্টানদা থোকখিবা সুইসাইদ এটেক ৩৭ অমসুং বোম পোকখায়বগী থৌদোক ৫৪০ দা মীচম ৫০০ শিখি অমসুং অতৈ ১,০৫০ দগী হেন্না অশোক অপন নঙখি হায়রি।

য়ু এন এসিষ্টেন্ট মিসন ইন অফঘানিষ্টান (য়ু এন এ এম এ) না ওক্তোবরদা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, চহী অসিগী জন্যুৱারি ১ দগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা অফঘানিষ্টানদা পুন্না মীচম ২,১১৭ শিখি অমসুং ৩৮২২ অশোক অপন নঙখি হায়রি।

# সুদান, ইথিওপিয়ানা জোইন্ট বোর্দর কম্মিটি মীফম পাঙথোক্নবা লেপখ্রে

খারতুম, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
হন্দক্তা বোর্দর এরিয়াদা মীশি মিনা কয়া য়াওবা লাল অমা শোক্নখ্রবা মতুংদা সুদান অমসুং ইথিওপিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সোইন্ট কম্মিটিগী মীফম মখা চথবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

সুদান অমসুং ইথিওপিয়াগী মরক্তা দিসেম্বর ২২ দা জোইন্ট বোর্দর কম্মিটিগী মীফম মখা চথবা হৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা সুদানগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দাল্লা হামদোক্কী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, জিবৌতিদা নোংমাইজিং নুমিত্তা হৌখিবা ইন্টর গভর্ণমেন্টনা ওথোরিটি ফোর দিভলপমেন্টগী সম্মিটকী নাকোইননা হামদোক অমসুং ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মীফম অমা পাঙথোকখি।

কম্মিটিগী ইকোন কোনবা মীটিং অদু চহী অসিগী মেদা ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদা পাঙথোকখি। সুদানিজ অর্মীনা দিসেম্বর ১৬ তা লাউথোরকখিবা অমদা ইথিওপিয়াগী ফোর্সশিং অমদি মিলিস্যাশিংনা লৈবাক অনীগী বোর্দরদা লৈবা সুদানগী লম শরুক্তা অর্মীদা এম্বুস চথরকখি হায়রি।

সুদান অমসুং ইথিওপিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর এরিয়া অদুদা মিলিস্যাশিংনা এটেক তৌবগী থৌদোক তোয়না থোক্তুনা লাকখি।

# মাস্ক শীজিন্নবা থিংনবগী রাইট লৈ হায়না রুলিং পীখ্রে



হোং কোং, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৯ দা হোং কোংদা মীয়াম্না প্রোফেসন কয়া অমসুং মীটিং কয়া চাউনা পাঙথোকখিবা মতমদা কলোনিএল মতমগী ইমর্জেন্সি পৱার শীজিন্নদুনা মাস্ক শীজিন্নবা থিংবা য়াবগী হক সিটি অসিগী গভর্ণমেন্টদা লৈখি হায়না হোং কোংগী খ্বায়দগী ৱাংবা কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রুলিং পীখ্রে।

তপ্পা তপ্পা নেমথরকখিবা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং অদুগী মনুংদা দেমোন্সত্রেটর কয়ানা ওথোরিটিশিংবু মখোয়গী মশক খঙহন্দনবা অমসুং টিয়ার গ্যাসতগী কঞ্জনবগীদমক্তা মাস্ক উপখি।

অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা সর্জিকেল মাস্কশিং শীজিন্নবা অসিসু ফাইনান্সিএল হব অসিদা চৎনরকখি। কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবা সিটি অসিগী মীয়ামদা মাস্ক উপনবা খঙহনবা লৈরিঙৈদা কোর্টনা রুল্লিং অসি পীখিবনি।

কোর্ট ওফ ফাইনেল আপীল অসিনা লৱার কোর্ট অমা হৌখিবা এপ্রিলদা তাখিবা ৱারেপতগী হেন্না কনবা রুল্লিং পীখিবনি। লৱার কোর্টকী রুল্লিং অদুনা গভর্ণমেন্টগী ইমজেন্সি থৌরাংশিং শীজিন্নবগী রাইট শৌগৎখ্রবসু মাস্ক শীজিন্নবা থিংবদি অনকন্সটিট্যুসনেল ওই হায়খিবনি।

হান্নগী বৃটিশ কলোনি অসিগী ওপোজিসন লোমেকরশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা হৌখিবা চহীদা এন্টি মাস্ক লো অদুগী মতাংদা জুদিসল রিভিয়ু অমা ফাইল তৌখি।

হোং কোংগী খ্বাইদগী মশক নাইবা দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মশাগী চহী ২৪ শুরবা জোসুৱা ৱোং কুমজা ২০১৯ গী এন্টি গভর্ণমেন্ট রেলিদা শরুক য়াখিবা অমসুং এন্টি মাস্ক লো থুগাইবগী মরালদা ফাখিবনি।

# সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল এরিয়াদা মী মঙা য়ৌনা পুনবা থিংখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্লিবা নোভেল কোরোনা ভাইরসগী লায়চৎ লাকশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল এরিয়াগী ম্যুনিসিপাল গভর্ণমেন্টশিংনা মী মঙা নত্রগা হেন্না পুনবদা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

সিওল দিটি অমসুং তাইনবা গিয়োংসি প্রোভিন্সকী মফম কয়া অমসুং নোংচুপ থংবা হিথাংফম সিটি ইনচিওনদা লাইচৎ শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি।

অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওর্দর অদুগী মখাদা সিওল মেত্রোপোলিটেন এরিয়াদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী মথং চহীগী জন্যুৱারি ফাওবা ইন্দোর অমসুং আউটদোর অনীমক্তা মী মরি নত্রগা মরিদগী হন্থন্না পুনবশিংদমক অয়াবা পীগনি। মসি লুহোংবা অমসুং মী লৈতবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমশিংদদি চৎনরোই। হায়রিবা থৌরমশিং অসিদদি হৌজিক চৎনরিবা লেভেল ২.৫ গী সোসল দিষ্টেন্সিং গাইদলাইনশিংগী মখাদা মী ৫০ ফাওবগী মনুংদা পুনবা য়াহল্লি।

চহী লোইরকপগী মী পুনবগী য়াবা থৌদোক থৌরম কয়াগী মাংওইননা থল্লিবা অথিংবা অদু খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল অহুমগী সোসল দিষ্টেন্সিং রুলশিংদগীসু হেন্না কল্লি। লেভেল অহুমদদি মী ১০ নত্রগা হেন্না পুনবদা অথিংবা থন্মী।

কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ অমুক হন্না কনখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা সিওল কেপিটেল এরিয়াদা মরোল মঙাগী সোসল দিষ্টেন্সিং রুলশিং দিসেম্বর ২৮ ফাওবা চৎনগদবা চয়োল অহুম ফাওবা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল ২.৫ য়ৌহনখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা কোরোনা ভাইরস কেস ৯২৬ দিটেক্ট তৌদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশীং ৫০,৫৯১ য়ৌখি।

হৌখিবা নুমিৎ তরুক্কি অসিদা নুংতিগী থেংনবা কেস মশীং ১,০০০য়ৌখিদে। অনৌবা কেসশিংদুগী মনুংদা চাদা ৭০ দি কেপিটেল এরিয়াগী মীওইশিংদা থেংনখি। লৈবাক অসিদা কোরোনা ভাইরসনা হৌজিক ফাওবদা শিহনখিবা মী মশীং ৬৯৮ শুখ্রে হায়রি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ু কেগী অনৌবা ষ্ট্রেন থেংনরে, হোং কোংনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌখ্রে



সিঙ্গাপোর, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ কিংদমদা আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রবা কোরোনা ভাইরসকী খরা শাথিবা মওংগী অনৌবা ষ্ট্রেনগী কেসশিং থেংনরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা হোং কোংনা বৃটিশ ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলসতা লাকখিবা য়ুনাইটেদ কিংদমগী ত্রাভেলর অনীগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা হান্নগী কোরোনা ভাইরস ষ্ট্রেনশিংদগী চাদা ৭০ হেন্না লৌনগনবা য়াই হায়না বৃটেননা লাউথোকখ্রবা ভাইরস অসিগী ম্যুটেটেদ ভেরিয়েন্ট য়াওরম্বা থেংনখি। মখোয় ক্বারেন্টিন তৌরি অমসুং মদু হন্দক সিদনিদা ইনফেক্সন হেনগৎলকখিবগা মরী লৈনদে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি।

অনৌবা ষ্ট্রেন অদুনা মরম ওইদুনা বৃটেনগী য়ুমথংনবা য়ুরোপকী লৈবাকশিং অমসুং কনাদা অমদি ইরান য়াওনা অতৈ লৈবাক কয়ানা লৈবাক অসিদগী লাকপা ত্রাভেলরশিং চঙলকপা থিংখিবনি।

ষ্ট্রেন অদুগী মরমদা য়াম্না মুন্না খঙদ্রিবা ওইরবসু হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনশিংনা থেংনবা ঙমগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

জপান অমসুং সাউথ কোরিয়া য়াওনা এসিয়াগী লৈবাকশিংনা মখোয়গী লমশিংদা ইনফেক্সন হেনগৎলক্নবসু অনৌবা ষ্ট্রেন অদুগী মতাংদা য়েংশিল্লি হায়খি।

মী কুংনা লৈবা ফাইনান্সিএল হব হোং কোংনা বৃটেনদগী লাকপা ফ্লাইটশিং থিংবা এসিয়াগী অহানবা সিটিনি। চাইনানা অখন্নবা মওং অমদা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, দিসেম্বর ২২ গী মমাঙদা বৃটেনদগী থুংলবা মীওইশিং চয়োল অহুম ক্বারন্টিন তৌগনি।

মপানদগী লাকপা মীওইশিং তঙাই ফদনা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌহল্লিবা সাউথ কোরিয়ানা হায়, বৃটেনদগী লাকপা ফ্লাইটশিংগী মতাংদা অনৌবা থৌরাংশিং খন্নরি। লৈবাক অসিদগী লাকপশিং ক্বারন্টিন তৌহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা অনীরক টেষ্ট তৌহনগনি।

হৌখিবা চয়োলদা সাউথ কোরিয়াদা নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং লীশিংদগী হেনবা তোইনা য়াওখি। ইনমেট অমসুং ষ্টাফ ১৮৮ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা সিওলদা লৈবা জেল অমদা লায়চৎ শন্দোরক্লে হায়না সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখি।

নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌহনবগী চৎনবী লৈবা টাইৱাননা বৃটেনদগী লাকপা ফ্লাইটশিং চঙহন্দনবগী থৌরাং হৌজিকমক্কীদি লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক মাইপাক্না লাকশিনবা ঙমখিবা এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা হন্দক্তা ইফেক্সন ৱাংখৎনখিবগা ঈরোয়ননা বৃটেনদা অনৌবা ষ্ট্রেন অদু থেংনখিবনি।

# বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স শীজিন্নবদা খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রেঃ য়ুরোপিয়ন রেগ্যুলেটর



বর্লিন, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
থা অনীগী মনুংদা বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেন অনী থংনা থংননা কায়বদগী মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখ্রবা মতুংদা মালেম পুম্বনা শীজিন্নবা লেপখিবা প্লেন মোদেল অসি হৌজিক পাইবদা খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন এভিয়েসন সেফটি এজেন্সি (ঈ এ এস এ) না লাউথোকখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবরদা লাইওন এয়র ফ্লাইট ৬১০ কাইখিবা অমসুং কুমজা ২০১৯ গী মার্চতা ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ৩০২ কায়খিবদা পুন্না মীওই ৩৪৬ শিখিবা মতুং কুমজা ২০১৯ গী মার্চতা মালেম পুম্বনা ৭৩৭ এম এ এক্স শীজিন্নবা লেপখি।

ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী প্লেন কায়খিবদুদগী ৭৩৭ এম এ এক্সকী দিজাইন অসিগী মপুং ফাবা রিভিয়ু অমা পাঙথোক্তুনা লাকখি। য়ু এস রেগ্যুলেটর ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ) না পায়খৎখিবা মান্নবা প্রোসেস অমদগী তোঙান্না রিভিয়ু অদু য়ুরোপিয়ন রেগ্যুলেটর অসিনা চথরকখিবনি।

বি বি সীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ঈ এ এস এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর পেত্রিক কে ৱাইনা হায়খি। এয়রক্রাফট অসিগী রিভিয়ুগী থবক্তা অমসুং মেন্যুফেকচররনা দিজাইনদা লাকহনখিবা অহোংবশিং এনালাইসিস তৌবদা এজেন্সি অসিনা য়েংশিনফম থোকপা খুদিংমক চিথদনা য়েংশিনখি।

ঐখোয়না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা এয়রক্রাফটট অদুগী মেছিনরি খুদিংমক অমসুং ফ্লাইট কন্ট্রোল খুদিংমক রিভিয়ু তৌখি। মদুগী পান্দমদি ক্রিটিকেল ফেল্যর থোকহনবা য়াবা করি করি লৈবগে হায়বদু খঙদোক্নবা হোৎনবনি।

অমুক হন্না সার্ভিসতা শীজিন্নবগীদমক্তা মোদেল অসিগী হৌজিক লৈরিবা প্লেনশিংদা অনৌবা কমপ্যুটর সোফৱেয়র হাপ্পগা লোয়ননা ৱেয়রিং অমসুং কোকপিট ইন্সত্রুমেন্টেসনদা অহোংবা কয়া লাকহনগদবনি। ঐখোয়না শিংথানিঙাই ওইনা অমসুং ফগদবা মওংদা ঐখোয়গী ওইবা এসেসমেন্ট পাঙথোকচগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।